**AIR, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(DATE 08-10-2023)**

**বিশ্বজিৎ (এল)ঃ** ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহনা হায়রি-মহৌশাগী খল কায়রকপনা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং পী হায়বসি পুমমকা খঙমীন্নবা মতম ওইরে।

রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ষ্টেট কেম্প ওফিস এন্দ দাটা সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৬৯ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক পালন থৌরম লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ঐখোয়না মহৌশাবু নীংথিনা মশক খঙবগা লোয়ননা মসিবু ঙাক শেনদুনা থম্বা তঙাইফদে। লমদম অসিদা তাংনা ফংবা নোংইন উচেক অমুক উবা ফংল্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা শা-উচেকশিং ঙাক শেনবদা মীয়ামনা পুকিং চংহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোংদোকখি। মহাকা হায়-ঐখোয়না চাউখৎপা পুরকবা হোৎনবদা মহৌশাগা মুকবা তৌরোইদবনি।

শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়-ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা লৈবাক্কী য়াইফনবা খল্লবা মতমদতা লমদম অসি চাউখৎপা লমদম অমা ওইরক্কনি। মীওই অমনা অতোপ্পা মীওইদা চপ চাবা উৎফম থোকপা ইকায় খুমবা অমদি বেভার উৎপগী তঙাইফদবদু পল্লদুনা মহাকা হায়-থবক অমা পায়খৎপা মতমদা অতৈ অতোপ্পা মাওইশিংদা শোকহন্দনবসু হোৎনফম থোকই।থৌরমদুদা চীফ কঞ্জারবেটর ওফ ফোরেষ্ট-এস.এস. ছাব্রাসু শরুক য়াখি।

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি-মনিপুরদা শান্তি হনজিল্লকপদা ঐখোয় খুদিংমকা ৱাখল ফাদমীন্নবা, পুনশিনদুনা পাঙ্গল শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

বিষ্ণুপুর জিলাগী লৌকোইপাৎতা লৈবা ওল্ড দি.সি. ওফিস বিল্ডিং বিষ্ণুপুর অপুনবা তেংবাং লুপনা চল্লাইবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা মন্ত্রিগী মায়কৈদগী নীংথম খুদোল তম্বগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক মনিপ্‌রগী মুখ্য মন্ত্রিনা কন্না হোৎনদুনা অমদি মীয়ামগা পুন্না খুৎশমদুনা থবক তৌবনা রাজ্য অসিদা তপা তপা শান্তি হনজিল্লকপা হৌরে।

রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং অসিগীদমক সরকারনা পীবা য়াবা মতেং পীনবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি হায়নসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**নুরুল (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভা সদস্য-সৈখ নুরুল হাসননা হায়রি-মতমগা চুন্নদ্রবা এম.এল.আর. এক্ট শেমদোকপগী ৱাফম রাজ্য বিধান সভাদা পুখৎনবা হোৎনগনি।

এম.এল.এ. অসিগী য়ূমদা ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা মহাকা হায়-মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম কৈদৌঙৈদসু কায়বা য়ারোই। চহি চা কয়াদগী নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরক্লিবা কাংলুপশিং তোখায় তোখায় তান্ননবা হোৎনরক্লিবা থৌরাং অসি মীয়াম পুন্না থেংনমীন্নবা তায়। রাজ্য অসিগী মীয়ামনা থা মঙারোম অসি অৱাবা চৈথেং মায়োকদুনা লাক্লি। মন্ত্রি, এম.এল.এ. অমদি ওফিসারশিংগী ময়ুমদা এট্রেক তৌরগা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

ঙসিগী খন্ন-নৈনবা থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা ক্লব, মহৈরোই সংস্থান, মৈরা পায়বী অমদি নহারোল কয়ানা শরুক য়াখি।

**কেব (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভা সদস্য-সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা হায়রি-রাজ্য অসিদা পাল্লিবা সরকার অসিবু লুচিংলিবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা দ্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং অমসুং রিজার্ব ফোরেষ্ট কন্ননবগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়া অসিনা মরম ওইরগা মাংজোননা শেম শাদুনা লৈরম্লবা নার্কো টেরোরিজমগী থৌওং অসি চত্থরকপনি।

বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট য়াওনা এম.এল.এ., মিনিস্তরশিং ফম থাদোকউ হায়বা খোল্লাউ অমা লাক্লিবা অসিগা মরী লৈননা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ননবগীদমক পাৎশোই কেন্দ্রগী এম.এল.এ. সাপম কুঞ্জকেশ্বরগী তেরাদা লৈবা ময়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা বিধান সভাগী সদস্য অসিনা ৱাফমসি ফোংদোকখিবনি।

শ্রী কুঞ্জকেশ্বরনা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা ফিভম অসিদা হৌজিক দরকার লৈরিবা অসি রাজনিতিগী খেৎনবা থমদনা পুন্না থেংনমীন্নবা মতম ওইরে। সরকার অসিবু লুচিংলিবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনবু মহাক্কী ফম অসিদগী থাদোকউ হায়বা খোল্লাউ অসিনা লৈরিবা সমস্যা অসি কোকহনবা ঙমলোই।

**মীসন (এল)ঃ** হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৪ ফাওবা চত্থগদবা ইনটেনসিফাই মীসন ইন্দ্রধনুজ ফাইব পোইন্ট জিরোগী অহুমশুবা তাঙ্কক্তা মরী লৈননা মীফম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেলপাৎতা লৈবা দি.সি. ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদু দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্স কমিতিগী চেয়ারপার্সনসু ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-টি.ঐচ. কিরনকুমারনা লুচিংদুনা চত্থখিবনি। মীফম অদুনা জিলা অসিগী ওইনা রুরেল অমদি অবার্ন হেলথ ফেসিলিতিশিংদা রুটিন ইম্ম্যুনাইজেসন চত্থবদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদসু খন্নখি।

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

বিষ্ণুপুর জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

**তর্পন(এল)ঃ** মনিপুরদা মে অহুমদগী থোরকখিবা ঈরাং অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তন্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কমিতি অমসুং লংথবাল কেন্দ্র মরৈ পায়বী কোওর্দিনেটিং কমিতি অনিনা পুনদুনা শিনদুনা হৈকৎ লৈকৎ তন্বগী থৌরম পাঙথোক্লবা তুংদা, হৈরাঙ্গোই এস.ভি.সি. ক্লব-অৱাং মাইবম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা মীফমদা নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট-থোকচোম রামনিনা-মনিপুরদা লৈরিবা ৱায়েল লোইশঙ, সরকর পায়রিবশিং, সরকারগী কর্ম্মচারিশিং, লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিং অমসুং মীয়ামনা অমত্তা ওইনা পুন্দুনা ইমা লৈবাক ইরমদম কন্নবা হোৎনবগী মতম য়ৌরে হায়রদুনা ইং-তপ্পা শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিল্লসি হায়খি।

ওল্ড ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননসু রাজ্য অসিগী ইরাংদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লাংবন হৈসোই চরা তন্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

**কেম্প (এল)ঃ** লাইওন্স ক্লব ইন্টরনেসনেল দিষ্ট্রিক্ট থ্রি টু টু দিগী মখাদা লৈবা লাইওন্স ক্লবশিংনা পুন্না শিনদুনা হিয়াংলমদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লেমা লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা মীওই ২৮০ রোম লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকসু পীখি।

**প্রিপাক (এল)ঃ** নার্কো টেরোরিষ্টশিংগী মখুৎতগী লমদম অসিবু ঙাকবা হোৎনবদা থৱায় থাখিবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি হায়না আইননা থিংখ্রবা লুপ পিপলস রিভোলুস্নারি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) না হায়রি।

লুপ অসিগী ৪৬ শুবা ফাউন্দেসন ডেগা মরী লৈননা লুপ অসিগী ইন্টরিম কাউন্সিলগী চেয়ারমেন-অহৈবা অঙোমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ্য অসিগী ইরাংদা ময়ুম মকৈ লৈতবদগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী অৱাবদসু লুপ অসিনা শরুক য়ারি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেলগী জৱাহরলাল নবোদিয়া বিদ্যালয়াদা য়ুনিতি ইন দাইবরসিতিগী পাউজেল পীবা কলচরেল সো কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

**কলচরেল (এল)ঃ** কলচরেল ফোরম মনিপুরগী ৬৫ শুবা চহিগী মীফম ঙসি জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হান্নগী এম.পি.- নিংথৌখোংজম তোম্বীগী পুন্সি অমসুং থবক হায়বসিগী মতাংদা সিমপোজিয়ম অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা ফোরম অসিগী চহি খুদিংগী ফোংবা চেফোং ‘ঋতু’ সু ফোংখি।

**ইগজিবিসন (এল)ঃ** ইম্ফাল আর্ট কলেজতা নুমিৎ হুমনি চুপা চখ্থরকখিবা ময়াংলংবমগী শকাইরবশিংগী লীক্লু পরেং হায়না মিংথোনবা সোলো আর্ট ইগজিবিসন লোয়শিনখ্রে।

**টাইকুন্দো (এল)ঃ** উত্তর প্রদেসকী নোইদা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৫ দগী ৮ ফাওবা চথ্খিবা নেসনেল টাইকুন্দো চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরনা সনাগী তকমান তরুক লৌরে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা গ্রেটর নোইদাগী বিজয় সিংহ পাথক ষ্টেদিয়মদা চংথরিবা সন্তোস ত্রোফিগী ৭৭ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ গ্রুপ (সি) গী লিগ মেটচ অমদা মনিপুরনা তামিল নাদুবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মনিপুরগী অনিশুবা লিগ মেটচ থা অসিগী ১০ দা য়ুম্বু উত্তর প্রদেসকা থেংনগনি।

**সিক্কিমঃ** সিক্কিমদা থা অসিগী মরিদা তিস্তা তুরেলদা খঙহৌদনা ঈচাউ থোরকখিবা অদুদা শিখিবা মীগী মশিং ৩২ শুখ্রে। শিখিবশিং অদুগী মনুংদা লান্মীগী মীওই ৯ য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১২২ থিবা খঙদনা লৈরি। ঈচাও অদুদা য়ুম লিশিং ১,৩২০ শাথিনা অমাং অতা থোকখ্রে।

মী কনবা কাংবুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ২,৫৬৩ কনবা ঙমখ্রে। মীওই লিশিং ৭,০২৫ রোম রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। ঈচাও অদুনা থোং ১৩ সু চেন্থখ্রে।

ভারত-টিবেৎ বোর্ডর পুলিসকী ১১ শুবা বটালিয়ননা হায়-থা অসিগী তরুক্তা চুংথাংদা লৈবা সিক্কিম পৱার লিমিটেদকী শুরুংদগী মীওই তরুক কনবা ঙমখি।

মরক অসিদা, কেন্দ্র সরকারনা ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা ইন্টর মিনিষ্ট্রিয়েল কমিতি ঙসি সিক্কিমদা থুংখ্রে। মখোয়না ঈচাও অদুনা ওইহল্লিবা ফিভম, কয়াম য়ামা অমাং অতা থোকহল্লিবা অমসুং তেংবাংগীদমক পায়খৎলিবা থবকশিং অদু য়েংশিনগনি।

**করনাতক ঃ** করনাতক্কী আতিদেলেদা লৈবা গোদাউন্দসু ওইবা বোম্বুলা শাফম অমদা ঙরাং চাউনা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিরে,

ঙরাং নুংথিল পুং অহুম মখায় অদুৱাইদা হোসুর মেন রোড পরিংদা লৈবা বোম্বুলা শাফম অমদা মীওই ৩৫ রোমনা থবক শুরিঙৈদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদো অদুদা দুকান মপু য়াওনা মীওই মরিসু অশোক অপন নংখি।

মৈ চাকপা অদুদা বোম্বুলা য়াওবা ত্রক অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা গাড়ি তরুকসু য়াওখ্রে। ত্রক গাড়ি অদুদগী বোম্বুলাশিং অদু লৌথোকপা হোৎনরিঙৈদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ফয়ার টেন্দর ৯ না মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনখি অমদি নুমিদাং পুং ৮ মখায় অদুৱাইদা মৈ অদু পুংমুৎ মুত্থৎপা ঙমখি।

মুখ্য মন্ত্রি-সিদারামায়ানা হায়-গোদাউন্দ অদুগী মপুগী মথক্তা থিজিনবগী থবক পায়খৎলগনি। উপ মুখ্য মন্ত্রি-দি.কে. শিবকুমারনা লৈখিদ্রবা মীওই অমমমগী নকবা মরী মতাদা লুপা লাখ ৫-৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। গোদাউন্দ অদুগী মপু অমসুং মহাক্কী মচা য়াওনা মীওই ৫ ফারে হায়রি।

**আর্থ কেকঃ** নোংচুপ থংবা আফগানিস্তানদা ঙরাং রিক্তর স্কেলদা ৬.৩ য়ৌনা য়ুহার হাবদা য়ামদ্রবদা মীওই লিশিং অনি শিরে। তালিবানগী মচিন চৎপা মীশক অমনা হায়-মসি হৌখিবা চহি ২০ অসিদা লৈবাক অদুদা থোকপা খ্বাইদগী শাথিবা মওংগী য়ুহার হাবনি।

লোকেল ওথোরিতিগী মতুং ইন্না, মীওই কয়া অতেক অকায় মরক্তা ননশিনদুনা লৈরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবনা শিবা মীগী মশিং হেনগৎলকখিবা য়ারি।

য়ু.এন. ওফিসকী কো-ওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ান এফিয়ার্সনা হায়-য়ামদ্রবদা য়ুম ৪৬৫ দি পুমতেক তেকখ্রে। অদুগা য়ুম ১৩৫ না অমাং অতা থোক্লে। মফম অদুগা টেলিফোনদা পাউ ফাওনবা ঙমদবা মরমনা অকুপ্পা মরোল ফংবা ঙমদ্রি। মী কনবগী থবক নীংথিনা চত্থবা ঙমবা য়ারিবমখৈ অথুবা মতমগী মনুংদা মফমদুদা চংশিন্নবা তালিবাননা লোকেল ওর্গানাইজেসনশিংদা খঙহনখ্রে।

ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসননা হায়-মসিনা এম্ব্যুলেন্সশিং থাদুনা য়ুহার

হাবনা শোকহল্লবা মফমশিং অদুদগী মরুওইনা নুপী অঙাংশিং শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকবা হোৎনরি।

**ডে ঃ** ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্স লিংখৎখিবগী ৯১ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি উত্তর প্রদেসকী প্রয়াগ রাজতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সনা মসিগী বমরাওলিদা সরমোনিএল পেরেড পাঙথোকখি। মদু ইয়ার ষ্টাফকী মকোক অমসুং ইয়ার চীফ মার্সেল-ভি.আর. চৌধুরিনা য়েংশিনখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-শ্রী চৌধুরিনা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সপু মশক তাকপা অনৌবা ফিরাল পাইহনবগা লোয়ননা হান্নগী ফিরাল অদু মপুং ফাবা ইকায় খুমবগা লোয়ননা চিংথখি অদুগা ইয়ার চীফতা খুৎশিন্নখি। হান্নগী ফিরাল অদু ইয়ার ফোর্স ম্যুজিয়মদা থম্লগনি।

থৌরমদুদা ইয়ার ফোর্স য়ুনিট মরি-১৬ শুবা স্কারদ্রোন, ১৪২ শুবা হেলিকোপ্তর য়ুনিট, ৯০১ শুবা সিগনেল য়ুনিট য়ুনিট অমসুং থ্রি বেজ রিপ্রিয়ার দিপোদা মখোয়না শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক লেমজনিংঙাই ওইরবা য়ুনিট সাইটেসনশিং পীখি।

ইয়ার ফোর্স নুমিৎকা মরী লৈননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থৌনা ফরবা নোংথক লান্মীশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়-থৌনা ফরবা, শক্তি লৈরবা অমদি শিংনরকপা খুদিংমক মায়োকনবা মতম চুপ্পদা শেম শাদুনা লৈরবা ইয়ার ফোর্স অসিগীদমক লৈবাক অসিনা চাউথোকচৈ।

উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়-থৌনা ফরবা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী মীওইশিংনা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা অমসুং সেক্যুরিতিবু মপুং ফানা ঙাক শেনদুনা থম্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী মোদিনা হায়-ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী কৎথোকপগা

লোয়ননা মথৌ পাঙথোকপা অসিনা লৈবাক অসিবু অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা লৈবা ঙমহল্লি। ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্স অসি ১৯৩২ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা হৌদোকখিবনি।

**গেমসঃ** হাংজো এসিয়ান গেমসতা ভারতনা রেকোর্ড ওইনা তকমান ১০৭ ফংদুনা ইতিহাস অমা শেম্বা ঙম্লকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

সোসিএল মিদিয়াদা ঙসি থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা মায় পাক্লবা শান্নরোইশিং অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা হায়-হৈথোই শিংথোইরবা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিং অদুনা হৌখিবা চহি ৬০ অসিদা খ্বাইদগী য়াম্বা চাংদা তকমান ১০৭ লৌরকপদা জাতি অসিনা নুংঙাইবা পোকই। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংগী হোৎনবা কনবা অমদি চোকথবা নায়দবা থৌনানা জাতি অসিবু মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগী মমাংদা চাউথোকচবা পোকহল্লে।

**ফেষ্টিবেলঃ** নুমিৎ ১০ নি চথুগদবা ত্রাইবেল ফেষ্টিবেল-আদি মহোতসব ঙরাং কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রি-অরজন্ মুন্দানা জমসেদপুরদা হৌদোকখ্রে।

ফেষ্টিবেল অদুদা পি.ভি.টি.জি. ত্রাইব ৩৩৬, ত্রাইবেল কাংলুপশিং অমসুং বন্ধন বিকাশ কেন্দ্রশিংগী বিনিফিসরিশিংগী স্তোলশিং হাংদোক্তুনা কালা অমসুং খুৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিং উৎলি। হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মুন্দানা হায়-আদি মহোতসব অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা ত্রাইবেল কাংলুপশিংদা এক ভারত সেস্থ ভারতকী ৱাখল্লোন হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

মহাকা হায়-অসিগুম্বা কুম্মৈ অসিনা ত্রাইবেল মীয়ামদা অনৌবা প্লেটফোর্ম অমা পীবগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ভোকেল ফোর লোকেলগী ৱাখল্লোন অদুবুসু হেন্না মপুং ফাহল্লগনি।

**ইজরেলঃ** ইজরেল অমসুং হসমাসকী মরক্তা উংখৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা লেবানন্দগী হিজবুলাহ মিলিটেন্ট গ্রুপনা ঙসি ইজরেলগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা রোকেড কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে। রোকেডশিং অদু লৈবাক অদুগা সিরিয়াগী ইজরেলনা খুদুম চল্লিবা গোলানহাইটস পরিংগী উংখৎনরিবা মফম অদুদা কাপশিল্লকখিবনি।

চেরোল অমদা গ্রুপ অদুনা হায়-এট্টেক অদু পেলেস্তাইন মীয়ামদা শৌগৎপা ওইনা চখ্খিবনি। ইজরেলগী লান্মীশিংনসু লেবানন্দগী মফম কয়াদা হন্দুনা নোংমৈ কাপখি অমসুং লেবানন্দগী হিজবুলাহ কাংবুদা নোংমৈ কাপ্পনবা চেকশিন ৱা হায়খি। হমাসকী এট্টেক্তা মীওই ৩০০ হেন্না শিখ্রবা অমদি মীওই লিশিং ১,৫০০ না অশোক অপন নংখ্রবা মতুংদা ইজরেলগী লান্মীশিংনা ওপরেসন সোর্থ ওফ আইরন চখ্খিবনি।